# ৱুমেন্স হোক্কী ৱর্ল্ড কপতা ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম আইরলেন্দনা পাঞ্জল ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে






লন্দন, জুলাই ২৬ (এজেন্সী)ঃ

ইংলেন্দনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোকপা ৱুমেন্স হোক্কী ৱর্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী য়াম্না মরুওইবা মেচ অমদা ইন্দিয়াগী টিম আইরলেন্দনা পাঞ্জল ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, গ্রুপ অসিগী অহানবা মেচতা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইরিবা ইংলেন্দগা শান্নখিবদা পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখিবনি। মালেমদা নুপীগী হোক্কী টিমগী মথং-মনাও নাইবা পরিং য়েংনরুবদা ইংলেন্দগী টিম অনীশুবা পোজিসনদা লৈরিবনি। মখোয়গা লম্বা তৌনখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অহৌবা মেচ অদুদা অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মায় পাক্লম্বা য়াবা খুদোংচাবা লৈরম্লবা মতুং অরোইবা মীকুপতা ইংলেন্দগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্তুনা দ্রো চৎখিবনি।

ঙসিগী মেচ অদুদা ইন্দিয়ানা মায়োক্নখিবা আইরলেন্দগী টিমনা থা অসিগী ২১ দা মখোয়গী অহানবা গ্রুপ মেচতা য়ু এস এবু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থীবা পীবা ঙমখি। টুর্নামেন্ট অসিগী চৎন-কাঙলোনগী মতুং ইন্না গ্রুপ মরিদা লৈরিবা টিমশিংগী মনুংদগী মকোক থোংবা টিম মরি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌগদৌরিবনি। মদুগী মতুংদা গ্রুপ মরি অসিদগী অনীশুবা অমদি অহুমশুবা পোজিসন তাহৌবা টিমশিংনা প্লে ওফ শান্নরবা মতুং মখোয়বু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবগী তাঞ্জা অমা লৈরি।

ঙসিগী ইন্দিয়া অমসুং আইরলেন্দনা শান্নখিবা মেচ অদু মীয়াম্না খন্নরম্বা মওংদগী আইরলেন্দগী শান্নরোয়শিং অদুনা ইন্দিয়াগী হাফতা ঙন্না বোল পুশিন্দুনা এটেক কয়া চত্থবা হৌখি। ইন্দিয়াগী টিম অসি মমাঙদা ৱর্ল্ড কপ অসিগীদমক্তা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা শেম-শাদুনা লাকখিবনি।

লন্দনগী লি ভেলি হোক্কী এন্দ টেন্নিস সেন্টরদা ইন্দিয়া অমসুং আইরলেন্দগী মেচ অদুগী অহানবা ক্বার্টরদা আইরলেন্দগী শান্নরোয়শিং অদুনা পুশিল্লকপা এটেক অমদা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু আইরলেন্দগী ও ফ্লানাগননা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা য়াম্না থাজদবা মওংদা ইন্দিয়াবু আইরলেন্দনা পাঞ্জল ১ মাংজিল থানা চৎখি।

ক্বার্টর অদু লোইবা ফাওবদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পাউখুম পীবা ঙমখিদে। অনীশুবা ক্বার্টরদা আইরলেন্দগী মায়কৈদগী এটেক চত্থবা হেনগৎলকখি। অদুবু পাঞ্জল ওইবা য়াবা তাঞ্জা ফংদনা লৈখি। শান্নবগী ২৪ শুবা মিনিটতা ইন্দিয়াগী পেনালটি কোর্নর অমা ফংখি। মদুদা ইন্দিয়াগী গুরজিৎনা ফ্লিক তৌখিবা সোট অদু আইরলেন্দগী দিফেন্দর মেথিয়ুজনা গোল লাইনদগী য়ৈথোক্তুনা পাঞ্জল ওইরমগদবা তাঞ্জা ঙাকথোকপা ঙমখি। মদুগী মতুং মিনিট ২ লৈরগা ইন্দিয়ানা চত্থিবা এটেক অমদা লিলিমা মিন্সনা পাঞ্জল ওইরগদবা তাঞ্জা অমা য়ৈশিনখিবদা আইরলেন্দগী গোলকিপ্পর আয়েসা মেকফেরেননা পাঞ্জল ওইহনখিদে।

অহানবা হাফ লোইরমদাই অদু ফাওবদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুনা ইক্বেলাইজর অদু ফংনবা ফনা কন্না হোৎনরবসু উপাই লৈখিদে। হাফ লোইশিনখি। হাফ মতুংদা পাঞ্জল চন্নবা লাল্লোং শিনবা হৌখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা ইন্দিয়াগী এটেক মখা তানা অদুমক চত্থবা ঙমখি। অদুবু মখোয়না পাঞ্জল ওইননবা পুশিল্লকপা বোলশিং অদু আইরলেন্দগী গোলকিপ্পর আয়েসা মেকফেরেন অমসুং টিম অদুগী দিফেন্দরশিংনা ঙাকথোকপা ঙমদুনা মেচ অদুগী অহুমশুবা ক্বার্টর লোইশিল্লকপা ফাওবদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ফংবা ঙমদনা লৈখি।

মেচ অদুগী অরোইবা অমদি মরিশুবা ক্বার্টরগী মিনিট ১৫ শান্নবা হৌরকখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অরৈবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা শান্নবা হৌরকখি। অরোইবা মিনিট ৪ রোমতা ঙাইরবা মতমদা ইন্দিয়াগী গোলকিপ্পর সবিতা লৌথোক্তুনা মহাক্কী মহুৎতা শান্নরোয় অমা থাজিল্লগা শান্নরোয় ১১ গী এটেক চত্থদুনা ইক্বেলাইজর ফংনবা হোৎনখিবা ইন্দিয়াগী লাল্লোং আইরলেন্দগী দিফেন্দরশিং অমদি গোলকিপ্পরনা নিংথিনা শান্নবা ঙমখিবদগী মেচ অদু ইন্দিয়াগী টিম আইরলেন্দনা ঙন্না চনখিবা পাঞ্জল অমনা মায়থীবা নংদুনা গ্রুপ বিদা ইন্দিয়াগী টিম মেচ অনী শান্নবদা পোইন্ট ১ খক ফংলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি। অদুগা ঙসি মায় পাকখিবা আইরলেন্দনা মেচ অনী শান্নবদা অনীমক থোইদুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রে।

## কোর্পোরেটশিংনা স্পোর্টসতা শেল থাধনবা স্পোর্টস মিনিষ্টর রাথোরনা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৬ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর রাজ্যবর্ধন সিংহ রাথোরনা ঙসি কনফিদরেসন ওফ ইন্দিয়ন ইন্দষ্ট্রি গ্লোবেল স্পোর্টস সম্মিট স্কোরবোর্দকী থৌরমদা কোর্পোরেটশিংদা লৈবাক অসিগী শান্নবগী লমদা অহেনবা চাউখৎপা পুরক্নবগীদমক শেল থাধনবা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টর অদুনা থৌরম অদুদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্না লৈবাক অসিদা লৈরিবা চহী ৮ দগী ১০ ফাওবগী অঙাংশিংদা মখোয়দা লৈরিবা শান্নবগী ইথিল অদু ময়েক শেংনা ফোঙদোকপা ঙম্নবগীদমক প্রোজেক্ট অমা পায়খৎপগা লোয়ননা স্কোলরসিপসু পীগনি হায়রি।

ইন্দিয়াগী ওইনা স্কুলশিংদা লৈরিবা চহী ৮ দগী ১০ শুবা অঙাংশিংগী মশীং অসি ক্রোর ১০ রোমনি। মখোয়শিং অসিগী মরক্তগী শান্নবদা পূক্নিং চঙবা অমদি ইথিল হেন্না য়াওবা অঙাংশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা ইন্দিয়াগী স্কুলগী বোর্দশিং, ষ্টেটকী লৈঙাকশিং অমদি তঙাইফদ্রবদি লান্মী ফাওবা য়াওনা খুৎশম্নদুনা শান্নবগী লম অসিদা অহেনবা খোঙজং অমা পুরক্নবা হোৎনরি। হায়রিবা অঙাংশিং অসিগী মনুংদগী চাংয়েং পাঙথোক্লগা অঙাং ৫০০০ খনগৎকনি। মদুগী মতুংদা অহেনবা চাংয়েং পাঙথোক্লগা অঙাং ১০০০ খনগৎতুনা শান্নবগী লম অসিদা ইন্দিয়াগী মীংচৎ পুরক্নবগীদমক প্রোজেক্ট অসি পায়খৎকদৌরিবনি। অঙাংশিং অদুনা চহী ১৬ শুরকপদা চেম্পিয়ন ওইবগী পান্দম থল্লি হায়খি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ – ৭৫


১। ৱর্ল্ড কপ ফুটবোলগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা মায়োক্নবা টিমগী শান্নরোয়না কাওথৎতুনা মখোঙ তেকখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং পীয়ু।

২। টিম অসিনা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল তরেৎলকশুবা ওইনা ফাইনেল ষ্টেজদা শরুক য়াবা মতমদা স্কুল ওজা অমবু টিম কোচ ওইহনবগী লমদম অদুগী মীওই খরনা য়ানীংখিদে অমদি টিম অদু মথং রাউন্দ চঙবা ঙমখিদে। টিম অদুগী মমিং পীয়ু।

৩। হিমা দাসকী মমাঙদা মমিং চৎখিবা অসামগী এথলেট অমগী মমিং পীয়ু।

৪। মহাক্না ওলেম্পিক্কী সনাগী মেদল ফংবা ঙম্লবদি কিলোমিটর ১৭৫ মখোঙনা চৎকনি হায়না ৱাশকখি। মহাক লমজেল অদুদা মকোক ওইখি। মহাক্কী ৱাশক অদু ঙাক্তুনা মখোঙনা কিলোমিটর ১৭৫ চৎলগা ফাটিমাগী লাইশঙদা চঙদুনা ভিরজিন মেরিবু খুরুমজখি। মহাক কনানো?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## চহী ১৬ মখাগী ইন্দিয়াগী টিমনা মলেসিয়াগী টিমবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে



ক্বালা লম্পোর, জুলাই ২৬ (এজেন্সী)ঃ

মলেসিয়াগী কোনুং ক্বালা লম্পোরদা ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিমগা লৈবাক অদুগী টিমগা শান্নখিবা অনীশুবা ইন্টর্নেসনল ফ্রেন্দলি মেচতা ঙসি ইন্দিয়াগী টিমনা মলেসিয়াগী টিম অদুবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম অসিনা নুমিৎ ২৭ নি চুপ্না তোঙান তোঙানবা এসিয়াগী লৈবাক অহুমদা এক্সপোজর টুর অমগী মনুং চন্না মলেসিয়াগা মেচ শান্নখিবনি। অতোপ্পা লৈবাক অনী অদুদি চাইনা অমসুং থাইলেন্দ ওইরি।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। অহানবা পাঞ্জল অদু মেচকী ২১ শুবা মিনিটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় রোহিট দানুবু মলেসিয়াগী দিফেন্দরশিংনা মখোয়গী পেনালটি এরিয়া মনুংদা ফাউল তৌবগীদমক পেনালটি অমা ফংবদগী দানুনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখি। অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ারিবা মণিপুর মচা গিবসননা মহাক্কী টিমমেট রোহিটনা পীরকপা পাস অমদগী চনবা ঙমখিবনি। মলেসিয়াগী টিম অদুগী মায়কৈদগী মেচকী ইঞ্জুরি টাইমগী ৪ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙম্লবসু টিম অদু ইন্দিয়াগী মখুৎতা মায়থীবদগী কনবা ঙমখিদে।

মমি ৱারী

## অন্টাইটল্ড

প্রেমানন্দ নোংথোম্বম



